# ‘মীওই খূদিংমক ৱাখল তামিন্নদুনা অকোয়গী শক্তম কলহৌদ্রবদি অরুবা ফিভম অমা ময়োক্লরক্কনি’

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৬ (এস এন এস):
মালেমগী মফম খূদিংমক্তা হোংলক্লিবা অওনবা অসিদা মহৌশাগী ওইবা অকোয়বগী শক্তমসু কিনিঙাই ওইবা মওংদা অহোংবা কয়া লাক্লি। অহোংবা অসিদগী ঙাকথোক্লবগী মীওই খূদিংমক ৱাখল তামিন্নদুনা থবক পায়খৎপা মতম ওইরে হায়না সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর এল নবচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) না শীন্দুনা ৩৯শুবা ৱার্ল্ড আর্থ দেগা মরী লৈননা থা অসিগী ২২দগী হৌদুনা নুমিৎ ৫নি চুপ্পা পাঙথোরকপা এৱারনেস কম সোসিয়েল সার্ভিস কেম্পগী লোইশিনবগী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লোং হায়র সেকেন্দরী স্কুলদা পাঙথোকখিবা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱাহন্থোক পীরদুনা মহাক্না হায়, মালেম গী মফম কয়াদা ৱার্ল্ড আর্থ দে হায়না কুমজা ১৯৭০ দগী হৌদুনা পাঙথোক্লরিবসি মালেম অসিদা লৈরম্বা পাম্বী কয়া মাংল্লকপশিং অসিবু কন্নবা হায়না পাঙথোক্লরিবনি। অসুম্না নোংমা-নোংমগী থৱায় পানবা জীবা কয়া অমসু মুৎখিগদ্র হায়বগী অকীবা লৈশল্লক্লবা মতমনি। মহৌশানা মালেম অসিদা জীব পানবা অমগা অমগা য়েৎনহনদনা হিংবা ঙমগদবা মফমশিংদা থম্বীরম্মী। লোয়ননা মহৌশানসু লৈজরিবা তোঙান তোঙানবা অমনা অমদা হেন্না জীব পানবশিংনা হেন্না শাফু পীরকপা মতমদা মহৌশাগী মওং কয়ানা বেলেন্স তৌদুনা থল্লিবনি। মাংশিল্লকপা হায়বসি তপ্পা-তপ্পা ওইরকপনি। মতম অমদা মালেমগী মফম কয়াদা হিংদুনা লৈরম্বা দাইনোশ্রর মাংখিবগী মতৌগুম মীওইবা ঐখোয়সু নোংমা নোংমগী চাও-খৎপা হেনগৎলক্লিবা মখে মাংবগী চাং হেনগৎলক্লিবনি।

মালেম অসি শেম্বা হৌরকপদা জব পানবা মখল বিলিয়ন অনী লৈরম্মী হায়না পান্নরম্বনি। অদুবু ঙসিদি শুপ্পগী জিব নাবা ৮.৭ মিলিয়ন খক্তা ঙাইহৌরে। ঙসিদগী চহী ৩০।৪০ গী মতুংদগীদি মালেম অসিদগী মী নৎতবা জীব পানবা অয়াম্বদি মূৎখিবা য়াবগী অকীবা লৈরবনি। মরম অদুনা তোঙান তোঙানবা জীব পানবশিংনা মালেম অসিদগী মূৎখ্রবদি মীওইবশিংসু য়াওনা জীব কয়াসু মূৎলক্লবগী অচৌবা মরম অমা লাক্লিঙাই মরম ওইরক্কদৌরিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়, অসিগুম্বা অকীবা কয়া অমা লাক্লবা মতম অসিদা ঐখোয়না চুম্নতগী ৱার্ল্ড আর্থ দে নৎত্রগা ৱার্ল্ড ইনভাইরোমেন্ট দে হায়না নুমিৎ ঙাইরগা পাঙথোকপগী মতম নৎত্রে। শোকচিল্লক্লিবা ওইহল্লক্লিবা অহোংবা কয়া অসি করিদগীনো হায়বা থীদোক্তুনা মীয়ামদা ৱাখল তামিন্নদুনা থবক পাইখৎপগী মতম য়ৌরে। মরুওইনা লৌউ শিংউ তৌবা শিজিন্নরিবা তিলহাৎ হিদাকশিং শীজিন্নবনা থৱায় পানবা জীব মচা কয়া হাৎতোক্তুনা মাংহল্লিবনি। মরম অদুনা ঐখোয় খূদিংমক অকোইবগী খল ঙাক্না ৱাখল তামিন্নদুনা উ-ৱা য়ানথৎপগী মহুৎতা মফম চানা উ-ৱা থাবীবনচিংবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলসি হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা শুক্কী প্রসিদেন্ট নোংথোম্ব গোবিন্না হায়, মালেমগী মফম কয়াদা প্রোটেক্ট অৱার স্পেসিস হায়বা থীমদা ৩৯শুবা ৱার্ল্ড আর্থ দে পাঙথোক্লবগুম চৎলিবা থা অসিগী ২২দগী নুমিৎ ৫নি এৱারনেস কম সোসিয়েল সার্ভিস কেমপ প্রোগ্রাম অসি লাইশ্রম মনি মেমোরিয়েল একদমীদা অহৌবা ওইনা হৌদোক্তুনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা উ-ৱা কয়া থাবগী থবকশিংসু তৌখিবগা লোয়ননা সোসিয়েল সার্ভিস প্রোগ্রাম পাঙথোকখি। হোংলক্লিবা মালেমগী অকোইবগী ফিভম অসিদা ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন অসিনসু মালেম অসিবু কন্নবদা থৌদাং য়াবগা লোয়ননা প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকপনি হায়না ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার আর কে অমরজিৎ অমসুং লম্লোং হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্রিন্সিপাল হিজম সোবিতানা ইকায় খুম্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# সি পি আই গী ৱাকরশিংনা ভোট থুগায়বা লাকপদগী থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকখিবনি হায়বসি অরানবা ৱাফমনিঃ নর

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৬ (এস এন এস):
১৭শুবা লোক সভা মীখলগী থা অসিগী ২৪দা পাঙথোকখিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি সিটকী রিপোল অদুদা কৈরাও এসিগী পোল্লিং ষ্টেসন অদুদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক খরা থোকখিবা অদুবু ইলেক্সন প্রোসেস পাঙথোক্লিবনি হায়না য়েংশিনবা চৎপা সি পি আইগী ইলেক্সন ওবজর্বর টিম অদুনা ভোট থুগাইনবা হোৎনরকপদগী থোকখিবনি হায়না মীয়ামদা লান্না অরানবা পাউ শন্দাক্লিবা অসি অরানবা ৱাফমনি হায়না সি পি আইগী মীরেপ ওইরিবা ডা. এম নরনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী ইরবত ভারনদা লৈবা সি পি আইগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা ডা. এম নরনা মখা তানা হায়খিবদা হন্দক পাঙথোকখিবা ১৭শুবা লোক সভা মীখল অসিদা হান্নগুম অরানবা পাম্বৈ কয়া অমা শিজিন্নখি। মীখল অসিদা কোংগ্রেস অমদি বি জে পিনা ভোটরশিংদা শেল য়েনখি। লোয়ননা রিপোলগী নুমিদাংদা লুপা লিশিং ১ ফাওবা য়েল্লি হায়বা পাউ ফঙই। মসিনা ইলেক্টোরেল সিষ্টেম অসিদা অরানবা তৌবগী মমি য়াম্না চাওনা তারি। মীখল অসিদা চুম্না তৌখিদ্রে হায়না কমপ্লেন তৌবগী এ সি খরদা রিপোল তৌখি।

হন্দক রিপোল তৌরিবসি এসি ৪গী পোল্লিং ষ্টেসন ১২তনি। হায়রিবা এ সি মরি অসি লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি গী চীফ মিনিষ্টর য়াওনা অতোপ্পা মিনিষ্টর এম এল এ শিংগী এ সি নি। ই সি আইনা রিপোর্ট তৌবগী ওর্দর থোকপা অসিদা মখোয়সি অশোয়বা য়াওখ্রে হায়না ইকাইফম থোকপনি। অদুবু রিপোল নুমিৎতা সি পি আইগী মেম্বরশিং, ওল মণিপুর নুপী মরুপকী লুচীংবশিংনা মীখল করম্না চত্থিবগে হায়বদু য়েংশিন্নবা ওবজর্বর ওইনা চৎপা অদু লম্বীদা গারি থুগাইবনচিংবা তৌবা অসি নুংঙাইতে। মসিদা বি জে পি গী মীওইশিংনা ভোট থুগাইনবা লাকপনি হায়না অরানবা চার্জ তৌবসি নুংঙাইতে। মহাক্না হায়খি, রিপোল তৌরিবা অসি মমাংদা মখোয়না অরানবা তৌখ্রে হায়বসি য়াজগদবনি। অমরোমদা রিপোল নুমিৎতা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুগী মণিপুর পুলিসতা কেস রেজিষ্টরসু তৌখ্রে। হন্দক্কী মীখল অসিদা নহাশিংনা মশা-মশানা অপাম্বা মীহুৎতা খঙজনি হায়বগী চৎনবা অমা উবা ফঙই। মসিনা হন্দকী মীখল অসি সি পি আইনা শোইদনা মায়পাক্কনি হায়বগী চপ চানা থাজবা লৈ। মীখল চুম্না পাঙথোক্তনা অফবা লৈঙাক অমা লাকপা ঙম্লোই। হন্দক্কী রিপোল তৌখিবা অসিদা মীয়াম্না সি পি আইগীদমক লেপ্পী হায়বসি উবা ফঙই। অদুনা মীখল অসি শোইদনা সি পি আইনা মায় পাক্কনি থাজই। মীখল রিপোল তৌবসু লোইরে। অমগা অমগা নুংঙাইদবা খৎন-চৈন্নবগী ৱাখল্লোন লৈহন্নিংদে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা সি পি আই মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরী এল সোটিনকুমার না ফোঙদোকখিবদা মীখল মমাংদা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অসিগী মরুমদা ইশু কয়াগী অৱাবা মীয়াম্না মায়োক্লখি। মসিদা সি পি আইনা থৌনা ফানা থেংনদুনা লাকখিবনি। হন্দক পাঙথোকখিবা ১৭শুবা লোক সভা মীখল অসিদা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক পায়রিবা পার্টিনা মখোয়না মীখল মায় পাক্তবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোনদা তৌহৈদবা কয়া তৌখি। মসি বি জে পিগী করম্বা শাজৎনো হায়বসি ৱাহং ওইরি।

মীখল থোকখিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং অদুগী পুলিসতা কেস ফাইল তৌখ্রে। বি জে পিনা নমদুনা পৱার পায়নবা থাংলিবা খোঙথাং সি পি আইনা তুমিন্না লৈরোই। ইলেক্টোরেল সিষ্টেম অসিবু শেমদোক্লবা চপ চানা থেংনগনি। মীখলদা শেল য়েল্লবসু লমদম অসিগী নহাশিংনা অহোংবা পাম্লি। অহোংবা পামবদা ডা. এম নরা মতিক চাই হায়বসি মীয়ামগী থম্মোয়দা চপ চানা ফাওই। অদুগা মীখল অসি সি পি আইনা মায় পাক্কনি হায়বসি চপ চানা থাজে হায়খি।

# দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৬ (এস এন এস):
ঙরাং তাং ২৫ এপ্রিল ২০১৯গী নুমিদাং পুং ১০.০০ রোম তারকপা মতমদা মশক খঙদবা মীওই খারনা শুগনু দা লৈবা সেন্ট জোসেপ স্কুলবু মৈনা তুম্না থরম্বগী মতাংদা থৌদোক অসিবু দেসাম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা দেসামগী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমনা থৌদোক থোকফমদা চৎতুনা য়েংশিল্লুরে। থোক্লিবা থৌওং অসি খুন্নাই ফূরুপ অসিবু শিংনবনি হায়না দেসামনা লৌদবা ঙম্লোই। খুন্নাই অমা ফূরুপ অমা চাওখৎপা অমসুং মরায় চায়থরকপা হায়বসি খুন্নাই অদুগী লৈরিবা এদুকেসনগী কাঙলোন অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। মরম অসিমক্না এদুকেসন হায়বসিনা খুন্নাই অমগী য়াঙলেন শরু হায়নরিবনি। অসিগুম্বা খুন্নাই অমা ফূরুপ অমা শিবা চঙবগী চাং ওনগদৌরিবা এদুকেসনবু শীন্দুনা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা পীক্লিবা মহৈরোয় কয়ানা মহৈ মশিন তম্নরিবা স্কুল অমবু অমম্বগী খুদোংচবা লৌদুনা মৈ থারম্বা হায়বসি য়াম্না লৈবাক মচা তাদবা, খুন্নাই অসিগী করিসু খন্দবা মশাগীত খনবা টেরোরিষ্টনা চৎথগদবা থৌওং অমনি।

লম্নাইগী নুঙাইনদবা নৎত্রগা করিগুম্বা স্কুল ওথৌরিটিগা নুঙাইনদবা অমগীদমক পীক্লিবা মহৈরোয়শিংবু বলিগী হমেং ওইহন্দুনা করিসু খঙজদবা মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্নরিবা মহৈ লোইশঙ অমবু মৈ থাদোকপা হায়বসি দেসাম য়াওনা লৈবাক মীয়াম্না হৌখিবা চহী কয়া এদুকেসন সেক্টরবু দিষ্টরবেন্স ফ্রি জোন অমা ওইহন্নবগীদমক লাওরিবা খোল্লাও অমদি চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসিদা চাউনা অপনবা পীবা, লৈবাক মীয়াম্বু উশিত্তবগী থৌওংনি।

ইরমদম মণিপুর অসিদা লম্নাই নুংঙাইন্দবা নৎত্রগা স্কুল ওথোরিটিগা নুংঙাইনদবা অমগীদমক স্কুলশিংদা অমাঙ অতা থোকহনবা হায়বসি ঙরাং থোক্লিবা থৌদৌক অসিনা অহানবা ওইদ্রে। মমাঙথক্তা স্কুলগী মপোৎ মরল কয়া অমা হুরানখিবা অমদি হন্দক ইনৌ নৌনা শলুংফমদা লৈবা স্কুল অমা মৈ থাদোক্লম্বগী ৱাফম ফাওবা লৈখ্রে। মথং মথং...

# ৱাঙ্খেম কেন্দ্রগী এম এল এ অন্দ্রো কেন্দ্রদা চংবদা বোইকোট তৌরে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৬ (এস এন এস):
হৌজিক হৌজিক ৱাঙ্খেম কেন্দ্রগী এম এল এ মেঘাচন্দ্রনা অন্দ্রো কেন্দ্রগী মফমশিংদা চঙবদা বোইকোট থম্নে হায়না ওল অন্দ্রো য়ুথ ক্লব এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী অসৈবম নন্দকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা মহাক্না হায়, ৱাঙ্খেম কেন্দ্রগী এম এল এ মেঘাচন্দ্রনা অজাৎ হায়র সেকেন্দরী স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা অন্দ্রো অসি আফ্রিকানি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং অন্দ্রোগী খুঙ্গাশিংদা য়াম্না হুন্না য়েংবগী মওং লাক্লে। চৎলিবা থা অসিগী এপ্রিল ২৫দা সোসিয়েল মেদিয়াগী খূথাংদা ফেক একাউন্ট মানবা অমদগী অন্দ্রো প্রজা মীয়াম্বু য়াম্না মওং মরিল তাদবা মওংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লক্তুনা কম্যুনেল রোমদা লাকপা য়াবগী মওংদা থাদোরকপা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। অন্দ্রো মচাশিংবু ইম্ফালদা লাকপা মতমদা নিংথিনা তৌরোইদবনি হায়বনচিংবা তাবদা নুংঙাইতবা ৱাহৈ-ৱাত কয়া শিজিন্নদুনা থাদোরকপা অসি অকনবা মওংদা য়ানিংদে। ওল অন্দ্রো য়ুঠ এসোসিয়েসননা লেম্না তোক্লেই। মসিগী মতাংদা সাইভর ক্রাইমদসু কমপ্লেন তৌখ্রে। মহাক্না মখা তানা হায়, হন্দক পাঙথোকখিবা ১৭শুবা লোক সভা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুসন ইলেক্সনদা অন্দ্রো কেন্দ্রদা খৎন-চৈনবা অমত্তা থোকখিবসু লৈতে। অন্দ্রো কেন্দ্রবু মণিপুরগী মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরিবসি এসোসিয়েসন অসিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদে। করিগুম্বা অন্দ্রো কেন্দ্রগী মীয়াম্না শোইখিবা লানখিবা য়াওরবসু তাথোক-তাশিন তৌমিন্নসি। অদুগী মহুৎতা সোসিয়েল মেদিয়ানচিংবা কয়াদা অন্দ্রোগী মীয়াম্বু তুকচনবা হোৎনরিবসি তোক্কদবনি। মণিপুর লৈঙাক্লসু অসিগুম্বা সাইভর ক্রাইম তৌরিবা মীওইশিং অসি ফাদুনা চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি। অসিগুম্বা ফিভমদা লাক্লিবা অসি ৱাঙ্খেম কেন্দ্রগী এম এল এ না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী মখা তানা ওইনা থোক্লকপনি হায়না লৌই। এম এল এ মেঘাচন্দ্র মশামকসু অন্দ্রো কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা তোপতগী হৌরকখিবনি। অদুগা মশাগী হৌরকপদা আফ্রিকানি হায়না হায়জবসি মশাগী খোঙদা শিংজংনা য়াশিনজবনি। পোলিটিকেল পার্টি মশেল পুমহুন হুনবদি কৈশু কাইদে। অদু নৎত্তনা অন্দ্রো মীয়াম্বু ফজবা মওংদা হায়বা হায়বসি অকনবা মওংদা য়ানিংদে। অন্দ্রো মীয়ামগী থম্মোয়না নুংঙাইতবা ফাওহল্লিবসি এম এল এ মেঘাচন্দ্রগী ৱাফমদগী হৌরকপনি। ৱাফম অদুগী মতাংদা শেংদোরক্তবা তারবদি অন্দ্রো কেন্দ্রগী মফম অমত্তা চংবা য়ারোই। মহাকপু বোইকোট তৌগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# কে ৱাই কে এলগী মপোক কুমওন নুমিৎকা...

*ঙরাংগী মখা...*

পাইশিনখিবা, মথংদা খুন্নাইগী মচৎ থুগাইখিবা, মখা তাবদা লীচৎ মহাম তাহনবা, হৌজিক্তা পূক্নিং ৱাখল শোন্থহল্লগা মীখা থাবা হৈনহল্লকপা হায়বসি কোকলোই চল্লকপা পূম্নমক মথং মথং কাইথরকপগী ৱারিঙাক্তনি। হৌজিক্তি ঐখোয় ইশানা ইশা ওইনিংদ্রে, ময়াং ওইনিংলে, ইশানা ইশাগী লমদমদা ওইরে। ইফুরুপ, ইরৈচ, ইনাৎ, অরোইবদা ঐ ইশামক ঐ ইশাগী য়েক্লবা ওইনা লৌক্লে। মপুং ফাবা অলাইনেসন হায়বদুনি।

ঙসিদি ঐখোয়গী কোক অসি য়োৎলিহং ফলাং চনখ্রবনিনা ঐখোয়গী মায়োক্তা তৌনিংবা তৌবা য়ারগনি, অথিংবা অয়েৎপা লাক্লরোই। মী থাজিনগে য়ারগনি, পোৎ থোকই চুপকে য়ারগনি, সি এ বি গী মতাংদা ময়াং লমগী মীচং চঙদুনা মরৈ য়েৎপা হৌরক্লিবসি ঐখোয় মুৎখিবা য়ারে হায়বনি, পূম্নমক য়াজরে। ময়াংদা পূম্নমক কৎথোক্লবনি, কোক্তা ময়াং ওল্লক্লবনি।

মতাং অসিদা থোরক্লিবা অচৌবা ৱাহংদি ঐখোয় হৌজিক করি তৌগদগে হায়বসিনি। ঐখোয়গী ইরক্তা হৌজিক ঐখোয়বু কঞ্জনবা পাম্বৈ অতৈ লৈত্রে শমুনা তাল্লগা য়ারক্তা হোৎচিল্লু হায়বা অদুগুম ঐখোয়সু ময়াংদা চংজফম লৌবা তাবনি হায়না খনবা মী মশীং য়াম্লে। মখোয়না ৱাফম অসি মীয়াম মরক্তা শন্দাকপদা অশিংবনি খনজে ইকাইবা ফাওজদে। মসিমক্তি হায়নিংঙাই লৈতনা লাল্লবা মীওইবনা খনফম থোকপা ৱাখল্লোন অমনি। মীওইবদি হিংবা পাম্মি শিবা পামদে।

ঐখোয়না হৌজিক তৌগদবা অসিদি লোইলম লৈঙাক উকাই তকপগুম তকশিল্লক্লিবা অসিবু অথিংবা পিবা অমদি খাংবা (রেসিষ্ট তৌবা) তোকপা য়াদে। ঐখোয় হৌজিক লোইলম লৈঙাক্কী মায়োক্কী মায়োক্তা হান্না তৌবদগী হেন্নো পাক-চাওবা রেসিষ্টেন্স অমগী খোঙজং চঙগদবনি। লোইলম লৈঙাক্তা অপনবা অথিংবা পীবা অমদি খাংবগী ঈহৌ অসি মমায় মরি পাল্লি হায়না অখঙ-অহৈ কয়ানা হায়রি। অহানবনা নাকল অমদা ঈনাৎ কন্নবা, শক্তম কন্নবা হোৎনবা অদুগা নাকল অমদনা মীগী মীনাৎ চং হন্দনবা অথিংবা পিবা অমসুং খাংবগী (কলচরেল রেসিষ্টেন্স)কী থবক থৌদৌশিং তৌবনি। অনীশুবা কোকী গ্যান-লৌশিং পুথোকপগী লমদা (নোলেদজ প্রদক্সনদা) লোইলম লৈঙাক্না মথক থোংখিদনবা (হেজিমোনি শোন্থহনবা) অমসুং মখোয়গী লাংলৌশিং অদুবু অপনবা পীবগী থবক পায়খৎপনি। অহুমশুবা, পোলিটিক্সকী লমদা লোইলম লৈঙাক্কী মায়োক্তা খূৎলাই পায়বা ঈহৌ অমসুং মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎপনি। মরিশুবনা খুন্নাইগী উচৎ শেমদোক-শাদোক্লবা ঈহৌগা লোইলম লৈঙাক্কী মায়োক্তা লেপ্পা ঈহৌগা অমত্তা ওইনা শগোন্নদা শাগৎপনি। এম কে গান্ধী অমসুং মন্দলেগী ঈহৌশিং অসি মখল অসিগী ঈহৌশিংনি।

ঐখোয়গী ইরমদম ৱেসি অসিদা ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাক্কী মায়োক্তা হৌরিবা ঈহৌ অসিদা খূৎলাই পায়বা ঈহৌনা অমত্তা ঙাইরবা খোঙজং ওইনা লৌরগা, খোঙজং মখল অতৈবুদি থওইদবগুম তৌরি। অৱাৎপা অসি লৈবদগী ঐখোয়গী ঈহৌ অসি মঙম চৎপা ঙমদবনি হায়না খঞ্জে। ময়াং লৈঙাক য়ানিংদ্রবদি খূৎলাই পায়বা ঈহৌ হৌগনি। খূৎলাই পায়বা ঈহৌদা য়াওদ্রবদি ময়াং লৈঙাক্তা য়াওনিংগনি। ময়াং লৈঙাক শৌগৎপনি। ময়াংদা চঙজরগনি হায়না খনবগুম তৌরিবসি লাল্লি হায়না থাজে।

মথং মথং...

# পাওনাগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবা নুমিৎ নীংশিংনখ্রে

ইম্ফাল এপ্রিল ২৬(এস এন এস)ঃ মণিপুরগী অরোইবা নীংতম লান ওইখ্রবা ১৮৯১গী খোংজোম লানফমদা মথৱাই কৎখ্রবা পাওনা ব্রজবসিগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবা মফম অরাপতি মনিং লৈকাইদা অথৌবা অসি পোৎলোইখিবা নুমিৎ নীংশিং থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদকী চিয়রমেন অমদি মেনেজিং ডাইরেক্টর নারেংবম সমর্জিৎ, জিলা পরিষদ মেম্বর সেরাম নেকেন জে সি আই এল পি এস কী হান্নগী কনভেনর খোমদ্রাম রতন, লমজিং মৈরা খূদুং ইনবা লূপকী এদভাইজর থাংজম সুবাসচন্দ্র, তোরবান ক্ষেত্রি লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়টকী হান্নগী প্রধান লোংজম সুসিল, খোঙমন গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান মোইরাংথেম নুংশিরৈ, উচেক্লোন নোংচুপ গ্রাম পাঞ্চয়ট প্রধান কোন্সম মুনিন্দ্রো লিলোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিলর মহমদ বসির রহমন অমদি রেদিও লিসনরস গীলদকী ভাইস প্রসিদেন্ট মুতুম সুবোননা মথংশিংনা অথোইবা লেঙবীরকপা, থৌরম মপূ অমদি ইকায়খুম্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। লমজিং মৈরা খূদুং ইনবা লূপ মণিপুর, রেদিও লিসনরস গীলদ অমদি অরাপতি মনিং লৈকায় য়ূঠ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসননা থৌরম অদু শিনখি।

# টেলেন্ট সর্চকী ফল লাওথোক্লে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৬(এস এন এস) ঃ
মণিপুর লৈঙাক্কী দাইরেক্টোরেট ওফ এদুকেসন (স্কুলস)না শিন্দুনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ গী নভেম্বর ১৪ নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা ক্লাস টেন তম্লিবা মহৈরোইশিংগী ষ্টেট লেভেল নেসনেল টেলেন্ট সর্চ একজামিনেসন, ২০১৮গী শেমদোক্লবা ফল লাওথোকখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা দাইরেক্টর ওফ এদুকেসন (এস) টি ঐচ কিরনকুমারনা থোখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না নেসনেল টেলেন্ট সর্চ একজামিনেসন ( ষ্টেটজ টু), ২০১৯গী ষ্টেট কোটা অসি হান্না মশীং ২৫ ওইরম্বদগী ৫০ দা হেনগৎলে হায়না এন সি ই আর টিগী মায়কৈদগী খঙহনলক্লে।

নেসনেল টেলেন্ট সর্চ একজামিনেসন (ষ্টেজ টু)গীদমক রিকমেন্দ তৌরবা মহৈরোইশিংগী এদমিসন লেটর। হোল টিকেট অসি ওটো জেনরেট তৌরগনি। কুমজা ২০১৯ গী জুন ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল টেলেন্ট সর্চ একজামিনেসন ( ষ্টেজ টু) কেন্দিদেটশিংনা মসি এন সি ই আর টিগী ৱেবসাইট www.ncert.nic.in দগী মে থাদা দাউন লোদ তৌবা য়াগনি। পরিক্ষা অসিগী ফলগী অকুপ্পা মরোল দিপার্টমেন্টকী ৱেবসাইট www.manipureducation.gov.in নৎত্রগা দাইরেক্টোরেট ওফ এনভাইরনমেন্টগী নোটিশ বোর্দ নৎত্রগা দাইরেক্টোরেট ওফ এদুকেসন (এস)কী সাইন্স য়ুনিটতগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৬(এস এন এস) ঃ
চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা সেন্ট জোসেফ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল, শুগনুবু মৈ থাদোক্লম্বগী থৌওং অদু কেঠোলিক এদুকেস্নেল সোসাইতি, মণিপুরনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়রি।

সোসাইতি অসিগী দাইরেক্টরনা ঙসি প্রেসতা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না এপ্রিল ২৫গী নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবা মতমদা থোকখিবা থৌদোক অদু লাইবক থিবা অমনি।

অসিগুম্বা এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসন অমবু মাঙহন তাকহনবগী থবক চত্থ-রম্বা অসি মীওইবগী লিচৎকী ৱাংমদনি। খুন্নাই অসিদা লৈরিবা অফ ফত্ত মশক খঙদবা মীওই খরনা মহৈ তম্ফম ওইরিবা লাইশঙ অমসুং তুংলমচৎকী মীরোল শেম্নবা মফম অমবু তাঙ্গোয় তানা মাঙহনলম্বা অসি থম্মোয় শোক্লিঙাইনি অমসুং লাইবক থিবনি।

মরাল লৈবা মীওই অদু পুথোক্তুনা চৈরাক পিদ্রিবা ফাওবদা ক্রাইম অদু থিজিনবদা কেঠোলিক এদুকেস্নেল সোসাইতি মণিপুনা চপ চানা মতেং পাঙগনি হায়না চেরোল অদুদা পল্লি। লোয়ননা কেঠোলিক এদুকস্নেল সোসাইতি মণিপুরনা সেন্ট জোসেফ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল শুগনুগী কম্যুনিতিদসু পাঙবা য়াবা মতেং পাঙগনি হায়না পল্লি।

# খোঙনা মণিপুর শীনবা থুংনা চৎকদবা তোমপোক কংলাদগী লমথখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৬ (এস এন এস):
সুপ্রিম কোর্টনা নুপাখক দন্দী ফঙহল্লম্বা ৪৯৭ এডলটরি লো ককথৎলবনিনা, ফত্তবা নুপী নুপা অনীমক দন্দি ফঙহনবা অকনবা লো অমা শেম্বীয়ু হায়বা খোল্লাওগা লোয়ননা মণিপুর শীনবা থুংনা খোঙনা চৎকদবা নান্দেবম তোমপোক মীতৈ ঙসি অয়ুক কংলাদগী ব্রুমেন্স এগেন্স ক্রাইমগী এদভাইজর এএস সোবিতানা লমথাকখ্রে। ব্রুমেন্স এগেন্স ক্রাইম মণিপুর শীন-থুংনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংগী পাউজেল পুদুনা এসোসিয়েসন অসিগী মীৎয়েং মখাদা চৎলিবা নান্দেবম তোমপোক (১৮) অপোকপা ওজিৎকুমার অপোকপী অমৃতবালাগী মচা অহুম পোকচগী মনুংদা মহাক্না য়াইমনি। লোয়ননা মহাক্কী লৈফমনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী য়ুম্নাম পাৎলৌদগীনি। মহাক্না হান্নসু নুপীদা চত্থবা মীওৎ মীনৈগী মায়োক্তা পাউজেল পুদুনা মণিপুরগী মফম কয়াদা সাইকল থৌদুনা চৎলুরবনি। হন্দক্কী অনীশুবা খোঙচৎ অসিদা য়ুম পাল্লবা নুপী নুপা অরোনবা মরী থম্নবা অমদি মপুরোইবা হুন্দোক্লম্লগা অতোপ্পা নুপাদা চেনবা য়ানিংদে। ওক্তবা নুপা নুপী পূম্নমক দন্দি পীবা অকনবা লো শেম্বীয়ু হায়বা দিমান্দগা লোয়ননা মে ২৬ ফাওবা থা অমা চুপ্পা মণিপুরগী মফম শীনবা থুংনা খোঙনা চৎকনি হায়রি। লমথাবগী থৌরম অদুদা ব্রুমেন্স এগেন্স ক্রাইমগী সেক্রেটরী এ রোবিতা অমদি অতোপ্পা সিভিল ওর্গনাইজেসনগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# এক্স-এম এল এ, ডা এম হোরাম...

*লমায় ১গী মখা*

য়ুনিভর্সিটি,ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ পব্লিক এডমিনিষ্ট্রেসন অমদি গান্ধী পীছ ফাউন্দেসননচিংবা ইন্সটিট্যুসন শিংগসু শম্নরম্মী। মহাক্না লৈখিদবদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্কী অৱাবা ফোঙদোকপা পাউজেলদা চীফ মিনিষ্টরনা ডা হোরামবু শক্নাইরবা একাডমীসিয়ান অমদি পূকচেল শেংবা পোলিটিক্সিয়ান্নি হায়না শিংথাবগা লোয়ননা মহাক্না লৈখিদবসি মণিপুরগী ওইনা অচৌবা মাঙজবনি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী ওইনা হৌখিবা ...

*লমায় ১গী মখা*

লৈরি হায়নসু দব্লিয়ু আর আই ইন্দিয়াগী দাইরেক্টর রুসিকা সিংহনা ফোঙদোক্লি। মহারাষ্ট্র, মৈধ্যপ্রদেশ অমসুং টেলেঙ্গনাগী ওইনা মাংখিবা উমংগী শরুকশিং অসি কুমজা ২০১৫ অমসুং কুমজা ২০১৭কী মরক্তনি হায়না রিপোর্ট তৌরি। হায়রিবা উমং ওইরম্বা মফমশিং মাংখিবগী মরুওইবা মরমদি ঐখোয় মীওইবনা য়ুম্লিং-কৈরিংনবা ফূম-কৈ শাগৎনরকপা,ইন্দষ্ট্রিয়েল এরিয়াশিং পাকথোক-চাউথোরকপদগী ওইরকপনি।

অদুম ওইনমক মণিপুরগী ওইনা উমং মাংলক্লিবসিগী মরুওইবা মরমদি ঐখোয় মীওইবনা লল্লোন-ইতিক্তা শীজিন্নবা উপাল-ৱাপালশিং তক্তুনা য়াম্থুৎলকপা অমসুং উ য়ানবা য়ানবগীদমক পাক্তক্লনা লাম্মৈ থাবগী চৎনবী মওং অসিননি। ইম্ফাল সহরগী অকোয়বদা লৈবা চীংশাং পরেং পূম্নমক হৌজিক্তি মরূ কোক্লে। চীংশাং পরেং অসিদা শৈদাংফম লৌদুনা লৈরম্বা লম্লক্কী শা-উচেকশিং ঙম্নমক মাংখ্রে। চহী ১০০ শুবা উপাল-ৱাপালশিং লোয়নমক য়াম্থুৎতুনা অতোপ্পা হিরমশিংদা শীজিন্নখ্রে। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্না থিংননবা অখন্নবা থৌরাং অমা ফাওবা লৌখৎপা লৈত্রি। মদুগী মহুৎতা লৈঙাক্কী মরুওইবা মীওই কয়া উ লল্লোনবগী থবক-থৌরমশিংদা য়াওশিন্দুনা লল্লোন-ইতিক তৌরে। মীয়ামগী হকশেলদা কায়রক্কদবা অমসুং মহৌশাগী খলদা চাওনা শীংনবা ওইরিবা উমং মাংহনবগী থৌওং অসি থিংননবা অকনবা থবক লৌখৎপগী তঙাই ফদবা লৈরে।

# মীয়ামদা পাউজেল ...

*লমায় ১গী মখা*

ইন্দিয়াগী মথং ইন্দিয়া য়ুনিয়ন লৈঙাক অনীসিগী মখাদা হিংলকখিবা মণিপুরগী খুন্নাই খল্লুরবদি য়াম্না হঙ্গোইনিংঙাই ওইরবনি।

য়ুরোপকী ইথৎ ইংলেন্দ মচাশিংনা মাইল কয়া লাপ্পা করম্বা লাল্লোং তৌদুনা মালেমগী লৈপাক কয়া মায়খিবা পীদুনা লৌশিনখিবা অদুসু বৃটিশ (মহারানি) লৈমাশিজ লৈঙাক্কী য়াথং মখাদা মীৎয়েং অসি হঙ্গৎনা য়েংলবদি শাংলবা চহী ১২৪ অসি ঐখোয় ইশানা-ইশাবু হঙ্গোইনিংঙাই ওইরবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঙসিদি ঐখোয় মীখা পোনবদগী ফঙলকপা ফল অসিনা ঐখোয়গী ফুরুপ অসি মুৎশিল্লকপদা নাচুংনরক্তবা অসিনি। বৃটিশতগী ইন্দিয়াগী খায়াৎতা লোইলম ওইরিবা মণিপুর লোই মপুগী পোলিটিক্সিয়ন গেম মায়োক্লবা হায়বসি শুংশোই শোইদ্রবনি।

মণিপুর মচা অমা ওইনা চীংমী ওইরে-তম্মী ওইরে অকিবা পোক্তনা ইরমদম কাচিন থুংনা চৎপা ঙম্নরক্তবা,ময়াই কায়বা চিঙ্গাক্কী ইপাক্তা তাওহল্লকপা,থৌওং অনীসিতনা পুনশিনখিদুনা ঐখোয় অশিবা খুন্নাই,ফুরুপ হায়বদু ওল্লিবনি। মসিদা চীংমী-তম্মী হায়না শরুক খায়দোক্তে। হৌজিক ঐখোয়গী লোইলম মপুনা মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপ অমত্তদা হেন্না নুংশিবগী ওইথোকপা লৈতে। মণিপুরগী কনাগুম্বা কাঙলূপ অমদা লোই মপুদা নুংশি মিৎয়েং লৈরবা মী অপঙবা থিরকপনি। মী অপঙবা লান ওইনৈ। লোই লৈঙাক্কী খুজিল থৌরাং কয়াবু খঙন-খঙন মায়োক্লা হায়বসিদা এপ্রিল ২৭, নুমিৎ অসি চিংথবা য়ারোই অমদি নুমিৎ অসিবু থাগোন্নদুনা য়েক্লবা মায়োক্লখিবা ঐখোয়গী থৌনা পাঙ্গল হৌরকফম অদুনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# চৈরাক ফংবা তাবনি...

*লমায় ১গী মখা*

মান্নরিবনি। স্কুলনা মীওইবদা এদুকেসনগী মঙাল পীরিবনি। স্কুল অসি নৌহৌননা শেমগৎনবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙগনি। স্কুল অসি চয়োল অনীদগী হেন্না মহৈরোইশিং স্কুল লেপহল্লোই হায়খি। মহৈরোই খরগী ৱাথোক্তা ওজাশিংগী ইকায়খুম্নবা মাঙবা য়াবা মওংদা সোসিয়েল মেদিয়াদা অপলোদ তৌরকপগী মতাংদা মখোয়দা পীরিবা চৈরাক অদু খরা হন্থবীনবা কে এস ও কাঙবুনা হায়বা মাল্লি। মদুগী মতাংদা স্কুলগী ওঠোরিতিগা য়ান্নবা ৱাফম অমা লাক্লবা হোৎনদুনা লৈরিবনি। স্কুল অসিদগী লৈবাক অসিগী অচৌবা ফম্নাইবা মীওই কয়া পুথোকখিবনি। অসিগুম্বা মৈ থারম্বগী থৌদোক অসি য়াম্না কা হেনবা থৌদোক্লি। মসিদা চেন্নরিবশিং পূম্নমক অসি আইনগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎকনি হায়খি।

# ইন্দিয়াগী রেঙ্কিং...

*লমায় ১গী মখা*

এন আই টি মেঘলয়না হুম্ফুতরেৎশুবা,এনআই টি অগরতলানা হুম্ফুতরা শুবদা,এন আই টি মণিপুরনা চাম্মনিফু নিপাল শুবদা অদুগা নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অরুনাচল প্রদেশনা চাম্ম হুম্ফুতরা হুমদোইদা লৈরি।

# স্কুল মৈ থাবদা চেন্নবা ২ ফারে...

*লমায় ১গী মখা*

রোমগী পোৎ-চৈ অমাং-অতা থোকখ্রে। মহাক্না হায়, থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সুগুনু পি এসনা কেস অমা ঙরাংদগী থিগৎপদা কে এস ও (গুনপি ব্লোক) চান্দেল হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী ভলন্টিয়ারশিংনা স্কুল অসি মৈ থারম্বনি হায়বসি য়াম্না চাওনা চিংনবা লৈরে। মরমদি ওর্গনাইজেসন অসিনা স্কুল ওথোরিটিদা করিগুম্বা দিমান্দ খরা থৌদুনা কিহল্লম্বা লৈরম্লে। মদুদি স্কুল অসিগী মহৈরোই ৬ স্কুলদগী সস্পেন্স তৌখিবা অদু এপ্রিল ২৫ ফাওবগী মনুংদা হন্দোক্কদবনি নৎত্রগদি স্কুল থিংজিল্লু অমদি তুংদা থোক্লকপা অফ-ফত্তা পূম্নমক স্কুল ওথোরিটিনা পুজগদবনি হায়না কে এস ও (গুনপি ব্লোক)কী কে এস ও (গুনপি ব্লোক) চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরী ইদুকেসন দেবিদ জাম্মিনলেন বাইতেনা খূৎয়েক পিবা চেরোল অমা স্কুল ওথোরিটিদা পিরম্বা লৈরম্লে। অদুবু স্কুল ওথোরিটিনা মহৌশাগুম্বা অদুমক ক্লাস চত্থখি অমদি ঙসিদগী একজাম হৌগদবনি।

মরম অদুনা মৈ থারম্বগী থৌদোক অসিদা কে এস ও (গুনপি ব্লোক) চেন্নৈ হায়বসি চাওনা চিংনবা লৈবদগী ওর্গনাইজেসন অসিগী থৌমীশিং ফানবা কোয়তান তান্নবদা থৌমী অনিদি ঙরাং ফাবা ঙম্লে। ফারবা থৌমী অনী অদুদি কে এস ও (গুনপি ব্লোক) চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি ইদুকেসন দেবিদ জাম্মিনলেন বাইতে (৩০) অপোকপা লৈখিদ্রবা হোলঙম বাইতে অমসুং ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি থাংখনলাল হাওকিপ (২৬) অপোকপা থোংখোলুন হাওকিপনি। মখোয় অনি ঙরাং সুগুনু পি এসকী মনুংচনবা মফম অমদগী ফাবনি। হৌজিক থিগৎপগী থবক চত্থরি। ঙরাং মৈ থারম্লিবা ব্লোক অসি মিটর ৫০ রোম শাংবনি। মসি অমুকতংদা চপ মান্নবা থাবনি। মফম অমদা থারগা শন্দোকরকপা নত্তে হায়বসি ফয়ার সর্ভিসতগী খঙবা ঙম্লে। মরম অদুনা মীওই অমা-অনীনা থাবা ওইরোই। অতৈ ফানবা থিংবগী থবক কন্না চত্থরি হায়খি।

মীপুম খুদিংমক্কী রাইট টু ইদুকেসন হায়না ইন্দিয়ান কষ্টিট্যুসনদা পিরি। অদুবু মহৈ তম্ফম সঙ মৈ থাবা হায়বসি মীওইবগী ফন্দামেন্টেল রাইট মৎপনি। মসি য়াম্না হকচিন্না লৌই। চেন্নরিবা খুদিংমক ফারগা লোগী ওইবা চৈরাক পিদনা তোক্লোই হায়না আই জি পিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মহৈরোই খরা চৈরাক পীরুবগী ৱাহৌদা স্কুল মৈ থাখিবা ...

*লমায় ১গী মখা*

মতাংদা মহাক্না হায়, থৌদোক অসিগী মতুং তারকপদা কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনায়জেসন গুনপী ব্লোককী মীওইশিং লাক্তুনা মহৈরোইশিং অসিবা স্কুল কাহন্দনবা থল্লিবা খোঙথাং অসি হন্দোকপীনবা তকশিল্লকখি।

অদুবু ওজাশিংনা মখোয়গী ইকায় খুম্নবা মাঙবগী ফিভমদা লাকপা অসিদগী য়েংলগা মহৈরোইশিং অদুদা পীরিবা চৈরাক অদু হন্দোক্লিংদবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি। মখোয়না ওজাশিংগী মথক্তা লৈরকপগুম তৌবা অদুদা ওজাশিংবু নুংঙাইহন্দ্রে।

মরম অদুনা মখোয়বু অচুম্বা লম্বীদা পুরক্লবা খোঙথাং খরদি লৌখৎপা তঙাইফদে হায়বদা কে এস ওগী মায়কৈদগী মহৈরোইশিংদা পীরিবা চৈরাক অসি খর হন্থহন্নবা ৱাফম পু-খৎলকপদগী মদু স্কুল ওঠোরিতি অমসুং ওজাশিংগা খন্নগে হায়খিবা লৈখি। নাকল অনীনা য়ান্নগদবা ৱাফমদা লাক্লবা হোৎনগে হায়নবগী মতুংইন্না ওজাশিং, ষ্টাফশিং অমসুং অঙাংশিংগী মমা মপাশিং পুন্না মীফম পাঙথোক্লবা মতম লেপ-খ্রবনি।

লোয়ননা মীফম অদুনা মহৈরোইশিংদা পীরিবা চৈরাক অদু খর হন্থহন্নবা ৱাফম লেপ্পবসু লৈরিবনি। মতম অসিদা কে এস ওনা স্কুলগী ওজা খরাবু কিহন খঙহনবা, ওৎ নৈবগী থবক চত্থবা হৌরকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা ওজাশিংবু হায়নিঙাই লৈতনা শাওহল্লে হায়খি।

মরক অসিদা ঙসি অয়ুক পুং ১০ দা মীফম পাঙথোক্লবা হোৎনরিঙৌ ঙরাং নুমিদাং অসি পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা স্কুল বিল্ডিং মৈ থাদোক্লমখিবনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা শুগনু পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা স্কুলগী ওঠোরিতিশিং, ওজাশিং, অঙাংগী মমা মপাশিং, সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং মহৈরোই লূপশিংগী লুচিংবশিং য়াওনা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা থৌদোক অদুগী মায়োক্তা জে এ সি অমা শেম্নবা ফিরেপ লৌবগা লোয়ননা থৌদোক অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবা ফোঙদোক্লখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাঙখিবশিংনা ঙসিদগী মহৈরোইশিংগী পরিক্ষা হৌগদবা অদু মথোঙ হুক্তবা থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা অকায়বা পীরে। মহৈরোই খরগী ইন্টরেষ্ট য়েংলগা অয়াম্বা মহৈরোইশিংগী পুন্সিবু মাঙহন্নবা হোৎবা থৌওং অদু কন্দেম তৌই হায়না ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা আর্কদাইওসিস ওফ ইম্ফালগী চান্সেলর রেবরেন ফাদর সোলোমোননা হায়, সেন্ট জোসেফ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল, শুগনু অসি মণিপুরগী অরিবা মিসন স্কুলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। অসিগুম্বা স্কুল অসিবু মৈ থাদোক্লম্বগী থৌওং অসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়খি।

নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন চান্দেলগী প্রসিদেন্ট দেবিদ অনাললনা হায়, অঙাংশিংনা মহৈ তম্নবা লৈরিবা স্কুলশঙ মৈ থাদোক্লম্বা থৌদোক অসি হায়নিঙাই লৈতনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। অসিগুম্বা থৌওং অসি ওর্গনাইজেসন অমত্তনা মতুংদা তৌবিগনু হায়না ফোঙদোকখি।